# য়েমেনগী লান কনশিল্লকপদগী মীওই ২৮ শিখ্রে



সানা, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
য়েমেনগী অল-জাওফ প্রোভিন্সদা গভর্নমেন্ট ফোর্স অমসুং হোথি গ্রুপশিংগী মরক্তা শোক্লরিবা লান কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ শিখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিলিটরি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল অদুনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীগী মরক্তা ইনৌ নৌনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা খুৎ থোক্লুবা হৌখি। অল-জাওফ প্রোভিন্সকী মরু ওইবা মফম খরা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবাগা মরী লৈননা নাকল অনীগী মরক্তা ইনৌ নৌনা খুৎ থোক্লরকখিবনি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা হৌথি ১৮ অমসুং গভর্নমেন্ট ফোর্সকী পর্সনেল ১০ য়াওখি। ওফিসল অসিনা অল-জাওফকী ষ্ট্রেট্রেজিক এরিয়াশিংদগী হৌথিশিং তকথোক্লুবা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্না হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী লান কনশিল্লকখি অমসুং প্রোভিন্স অদুগী অতে মফমদসু লান য়ৌশিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না হৌথিশিংনা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা কন্না লান্থেংনদুনা প্রোভিন্স অদুদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী প্রোগ্রেসতা অপনবা পীবা ঙমখি। ইরান্না শৌগৎপা হোথিশিংনা গ্রাওন্দদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদুনা থাউমরাং কায়না ফংবা য়ুমথংনরিবা মরিব প্রোভিন্সকী মরু ওইবা মফম খরা খুদম চনশিনখ্রে হায়নসু ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসনগী ৱার প্লেনশিং হায়জিল্লক্তুনা অল-জাওফ অমসুং মরিব প্রোভিন্স অনীমক্কী হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়াশিংদা পরিং নাইনা এয়রষ্ট্রাইকশিং হৌখি। হৌথিশিংনা অল-জাওফকী অয়াম্বা শরুক কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা রেবেলশিংবু প্রোভিন্স অদুদগী তকথোক্লবা হোৎনরিবনি।

কুমজা ২০১৪গী অথেংবা শরুক্তা হৌথি গ্রুপনা য়েমেনগী অৱাং থংবা শরুক্কী অয়াম্বা লম কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা প্রসিদেন্ট অবদ রাব্বুহ মন্সুর হাদিগী গভর্নমেন্টপু কেপিটেল সানাদগী ইন্থোকখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার থোক্লুনা লাকখি। হাদিগী গভর্নমেন্ট শৌগৎলদুনা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্না য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা কুমজা ২০১৫গী মার্চতা য়াওশিনখি।

# পলেষ্টিনিয়ন ইশ্যু মওং-মরিল তানা ৱারোইশিন পুরকপা পাম্মী

কাইরো, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়ানা পলেষ্টিনিয়ন ইশ্যুগী মতাংদা তুং কোইনা চৎনগদবা মওং-মরিল তাবা সোল্যুসন অমা পুরকপা পাম্মী হায়না লৈবাক অসিগী নিংথৌ সলমান্না নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা ফোনদা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখ্রে।



ৱারী শান্নবদুদা সলমান্না মহাক্কী লৈবাক্না হৌদোক্লিবা অরাব পীছ ইনিসিয়েটিভগী মরু ওইবা মরমদি ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ু এসনা ৱাতেমদুনা হৌখিবা থাদা পুরকখিবা একোর্দ অমদা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসনা ইজিপ অমসুং জোর্দানগী মতুংদা ইজরেলগা নোর্মেল মরী থম্নবা অহুমশুবা অরাব ষ্টেট ওইরকপগী ৱাফম য়াখিবা মতুংদা লুচিংবা অনীনা ফোনদা ৱারী শান্নখিবনি। ইজরেল-য়ু এ ঈ ফ্লাইটশিংবু সাউদি এয়র স্পেস শীজিন্নবা য়াহনখিবগী খোঙথাং ট্রম্পনা তরাম্না ওকখি।

য়ু এসনা গল্ফতা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরিবদু সাউদি অরাবিয়ানা থাগৎলি অমসুং কুমজা ২০০২ দা কিংদম অসিনা প্রপোজ তৌখিবা অরাব পীছ ইনিসিএটিভতা য়ুম্ফম ওইরপা পলেষ্টিনিয়ন ইশ্যুগী তুং কোইনা চৎনগদবা মওং মরিল তাবা সোল্যুসন অমা লাকহনবা পাম্মী হায়না নিংথৌ সলমান্না ট্রম্পতা ময়েক শেংনা খঙহনখি। প্রপোজেল অদুগী মখাদা অরাব লৈবাকশিংদা ইজরেলনা পলেষ্টিনিয়নশিংগা ষ্টেটহুদকী দিল অমা পুরকপগা লোয়ননা কুমজা ১৯৬৭ কী মিদল ইষ্ট লানদা খুদুম চনখিবা লমদগী ইজরেলিশিংনা মপুং ফানা হন্দোকপগী ফিভমদা অরাব লৈবাকশিংনা ইজরেলগা নোর্মেল মরী থম্নবগী ৱাফম ওফর তৌখি।

ইস্লামগী হৌরকফম ওইরিবা অমসুং লাইনিং লন্থী অসিগী খ্বাইদগী শেংলবা খুভম কয়া লৈরিবা সাউদি অরাবিয়ানা ইজরেল রেকগনাইজ তৌদে। অদুমওইনমক থা অসিদা কিংদম অসিনা ইজরেলি এয়রলাইনরশিং য়াওনা য়ু এ ঈ অমসুং ইজরেলগী ফ্লাইটশিং সাউদি এয়র স্পেস শীজিন্নহল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

হ্বাইট হাউসকী সিনিয়র এদভাইজর ওইরিবা ট্রম্পকী মমাকনুপা ওইরিবা জরেদ কস্নরনা য়ু এ ঈগী মতাংদা পল্লদুনা অতোপ্পা অরাব লৈবাক অমসু ইজরেলগা থুনা নোর্মেল মরী থম্নরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না মমাংদা ফোঙদোকখ্রবনি।

## মালেসিয়াদা থা অহুমগী মনুংদা ইনৌ নৌনা কোভিদ-১৯ কেস ৱাংখৎলক্লে

কুলালম্পুর, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
হৌখিবা জুনগী অঙনবা শরুক্তগী অহানবা ওইনা মালেসিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস খ্বাইদগী ৱাংনা থেংনখিবা থৌদোক ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অসিদা অনৌবা কেস ৬২ দিটেক্ট তৌরে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইনফেক্সন ৱাংবা লৈবাকশিংদগী লাকপা মতম শাংনা লৈগদবা ইমিগ্রেসন পাস পায়বা মীওইশিং গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিদা চঙবা থিংবা হৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা কেসশিং অদু থেংনখিবনি।

মপান্দগী কোরোনাভাইরস কেসশিং চঙলকপা লাকশিন্নবা হোৎনরদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী কোভিদ-১৯ কেস ১,৫০,০০০ হেল্লবা লৈবাক ২৩ দগী লাকপা পাস হোল্ডরশিং চঙলকপদা অথিংবা থমখি। অথিংবা থল্লিবা লৈবাকশিংদুগী মনুংদা য়ু এস, বৃটেন অমসুং ফ্রান্স য়াওরি।

ইনৌ নৌনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিপোর্ট তৌখিবা কেসশিং অদুগী মনুংদগী ৫০ দি মালেসিয়ন বোর্নিওদা লৈবা সবাহ ষ্টেটকী হৌজিক লৈরিবা ইনফেক্সন মরক্তা থেংনখিবনি। ইনফেক্সনশিং অদু চয়োল অনীগী মমাংদা চে-চাং শুদবা মাইগ্রেন্ট অনী দিটেন্সন তৌখিবদগী থোক্লকখিবনি হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

# টাইফুন হায়সেন জপানদা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লগা কোরিয়া পাংখ্রে

সিওল, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
জপানগী খা থংবা ইথৎশিংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুন হায়সেন অৱাং পাংনা সাউথ কোরিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবাল্লোমদা হায়জিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রে।



সাউথ কোরিয়াগী ৱেদর এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা, পুংদা কিলোমিটর ১১২গী খোঙজেল য়ৌবা নুংশিৎশিং লোয়নরিবা মতিক ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা সাউথ কোরিয়াগী সাউদর্ন সিটি ওকসান য়ৌশিনখিবগা লোয়ননা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী খা ইথং থংবা চিদাইগী য়ুম ১৭,৫০০ হেন্না মৈ ফংহনখিদ্রে। শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী খা ইথং থংবা মচিনগা নক্লনা লৈবা গিওজে ইথৎকী এপার্টমেন্ট বিল্ডিংশিংগী মনাক্তা লেন্দস্লাইদ কয়া থোকহনবগা লোয়ননা উ কয়ামরুমসু মরু ফুখি।

লৈবাক অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি ওইরিবা বুসানদা অকনবা নুংশিৎনা কার অমা মথক-মখা ওলহনবদগী গাড়ি অদুদা তোংলকখিবা মীওই অমা অশোক-অপন নংখি। মফম অদুদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাওসু থোকহনখি হায়না সেফতি মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুগীদমক শেম শারদুনা মীওই ১,৬০০ হেন্না ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংজিনখ্রে। জেজু ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট য়াওনা এয়পোর্ট ৭ কী ফ্লাইট ৭৬ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না কেপিটেল সিওলগী খা নোংপোক্লোম কিলোমিটর ৩৭৫ রোম লাপ্পা গিওংজু সিটিদা লৈবা ন্যুক্লিয়র রিয়েক্তর অনী থিংজিনখ্রে। নেসনল পার্কশিংদা চঙবদা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা নেসনল ট্রেন সর্ভিস খরসু সপেন্দ তৌখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

কিওদো ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না জপানদা টাইফুন অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৪ থিবা খঙখিদ্রে অমসুং মীওই ৫০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

## টালিবানগী অনৌবা চীফ নিগোসিএটর খনখ্রে

দোহা, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
মতম শাংনা ঙাইনদুনা লাক্লবা অফঘান গভর্নমেন্টকা লোয়ননা চথুগদৌরিবা পীছ টোক্কী মাঙওইননা টালিবান লিদরসিপনা গ্রুপ অসিগী চীফ জষ্টিস মাওলাৱি অব্দুল হকিমবু কটরগী মেম্বর ২৯ না শাবা মখোয়গী নিগোসিএটিং টিমগী মকোক হাপখ্রে।

টালিবানগা নক্লশিন্নবা সোর্সশিংনা গ্রুপ অসিগী ফটৱা (রুলিং) অয়াম্বা (মরু ওইনা লানগী মতমদা) হকিম্না ইশ্যু তৌই অমসুং মহাক্না মপুং ফাবা ওথোরিটিগা লোয়ননা ৱারী শান্নবদুদা শরুক য়াগনি।

টালিবান সোর্সশিংগী মতুং ইন্না অৱাংবা রেঙ্ককী টালিবান মেম্বর কয়া শেম্থিখিবা হকিম অসি গ্রুপ অসিগী হান্না মকোক ওইরম্বা মুলাহ মন্সুরগী নকশিন্নবা এইদ অমনি। কুমজা ২০১৬ দা মন্সুর হাৎখ্রবা মতুংদা মহাক্কী মহুৎ হকিম্না শীনবা য়াবগী ফিভম লাকখি।

টালিবান লিদরসিপনা মোহমদ নায়িম ৱর্দকপু মখোয়গী নিগোসিএসন টিম অদুগী স্পোক্সমেন হাপখি। অফঘান মশেলগী নিগোসিএসনগী শেম-শাবগী থবকশিং লোইশিনবগী ফিভম লাকখিবগা লোয়ননা টালিবানগী নিগোসিএটিং টিমদা অহোংবা খরা অসি লাকখিবনি। তোলো ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানদগী অমেরিকান ট্রুপশিং ৱিঠদ্রো তৌবগী ৱাফমসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈখায় তান্নদনা লৈরি।

চৈরকসিদা, য়ুম্বু ওইগদৌরিবা কর্টরনা শেম শাবগী থবক খরা ৱাৎপদগী অফঘান গভর্নমেন্টকী দোহাদা চৎকদবা টিম কাবুলদা পন্দুনা লৈরে হায়রি।

# বেলরসকী প্রোটেষ্ট লিদর মশক খঙদবশিংনা ফাজিনখ্রে

মিনস্ক, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেন্ট্রেল মিনস্কতা মশক খঙদবা মীওইশিংনা বেলরসকী প্রোটেষ্ট লিদর মরিয়া কোলেসনিকোভা দিটেন তৌদুনা মিনি ভান অমদা পুখ্রে হায়না উহৌবা মীওই অমগী ৱারোল পল্লদুনা বেলরসিয়ন মিদিয়া আউটলেট অমনা ফোঙদোকখ্রে।



কোলেসনিকোভা অসি ওগষ্ট ৯ গী প্রসিদেন্সিএল মীখলগী মাঙওইননা ওপোজিসন কাঙবুংশিংদা য়াওশিনখিবশিংগী মরক্তগী বেলরসতা লৈহৌবা নুপী পোলিটিসিয়ন অহুমগী মনুংদা অমনি।

বেলরসিয়ন প্রসিদেন্ট লুকাসেনকোগী মরু ওইবা ক্রিটিক অমা ওইদুনা লাক্লিবা কোলেসনিকোভানা মীখলগী মতুংগী পোলিটিকেল ক্রাইসিসতা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাকখি। মীখল মতুংদা লেপ্তুনা এন্টি গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিং চথদুনা দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা লুকাসেনকোবু মীখলদা অরান-অহুই কয়া তৌখি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরিবনি।

অমরোমদা, ওপোজিসন কাঙবুনা শীরিবা মরালশিং লুকাসেনকোনা য়াদ্রি। করিগুম্বা কোলেসনিকোভাবু ফাবগী ৱাফম অসি কনফার্ম তৌবা তারবদি থৌদোক অসি বেলরসিয়ন ওথোরিটিশিংনা প্রোটেষ্টরশিং লাকশিন্নবগী থবকশিং কনখৎলকখিবগা লোয়ননা থোক্লক্লিবনি।

বেলরসিয়ন ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই লিশিং কয়ানা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকখিবদা প্রোটেষ্টর ৬৩৩ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দিটেন তৌখি। কোলেসনিকোভাগী মীচংশিংনা মহাকপু ফাবগী ৱাফম অসি য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

মিনস্ককী পুলিসনদি মখোয়না মহাকপু ফাবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লে হায়না রসিয়াগী ইন্টরফেক্স ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়খি। অতোপ্পা এক্তিভিষ্ট ওলগা কোভালকোভা থাংজ নুমিত্তা পোললেন্দদা থুংলকখি হায়রি।

# কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা সু চিগী মীখলগী প্রোগ্রাম কেন্সেল তৌখ্রে

য়াঙ্গোন, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারদা নোভেল কোরোনা-ভাইরসকী লাইচৎগী ফিভম ফৎচিল্লক্ত্রে হায়রদুনা লৈবাক অসিগী লুচিংবী ওং সান সু চিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্কী মীখলগী কেম্প্যেনগী অহানবা প্রোগ্রাম কেন্সেল তৌখ্রে।



সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস ১০০ থেংনখি। মসি হৌখিবা মার্চতা লৈবাক অসিদা অহানবা কেস থেংনখিবদগী নোংমদা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না হেনগৎপগী থৌদোক্নি। মথংগী নুমিৎ নিংথৌকাবদনা অনৌবা কেস ৪৫ হেন্না দিটেক্ট তৌখি।

ষ্টেট কাউন্সেলর ওইনা লৈবাক অসিবু লৈঙাক্লিবা সু চিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কর্ম্মসিএল কেপিটেল য়াঙ্গোনদা লৈবা মহাক্কী কন্সষ্টিট্যুয়েন্সিদা মীখলগী টুর তৌনবা থৌরাং তৌখিবনি। মদু নবেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী কেম্প্যেনগী অহানবা ওফিসল নুমিৎকী প্রোগ্রাম ওইগদৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না ফেসবুক্কী খুথাংদা মীয়ামদা লাউথোক্লদুনা খোঙচৎ অদু কেন্সেল তৌনবা হেল্থ মিনিষ্টরনা মঙোন্দ পাউতাক পীরক্লে হায়খি।

হৌজিক্কী তানফম অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা খ্বাইদগী হেন্না মতিক ময়াই লৈ। মিনিষ্ট্রি অসিগী পাউতাক মতুং ইন্না ঐখোয়না ইনগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রুলিং নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসিগী স্পোক্সমেন মিও নুন্টনা ফোঙদোকখিবদা, মীখলগী কেম্প্যেন হান্না লেপখিবগী মতুং ইন্না চথুগনি অমসুং পার্টিনা গ্রুপ মচা-মচা শেম্লগা য়ুমথোং খুদিংগী ফিরাল অমসুং পামফ্লেটশিং য়েন্থোক্লবা থৌরাং তৌরি। অদুমওইনমক হৌজিক লৈরিবা হকশেলগী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না ৱা ঙাঙবগী কেম্প্যেন কন্না তৌবা ঙম্লরোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## য়ু পিগী আই এ এস ওফিসর অমা কোভিদ-১৯না নাবদগী লৈখিদ্রে

লক্ষ্নৌ, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা উত্তর প্রদেশকী আই এ এস ওফিসর সুনিল কুমার মৌরিয়া নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৫২ শুখ্রে।

কুমজা ২০১০ বেচকী ওফিসর ওইরিবা মৌরিয়া ষ্টেট গভর্নমেন্টকী স্পেসল সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌরকখি। মহাক বরেলি অমসুং সোনভদ্রাদা নোদেল কোভিদ ওফিসর অমা ওইনা থাখিবনি। ওফিসর অসি হৌখিবা থাদা সঞ্জয় গান্ধি পোষ্ট গ্রেজ্যুএট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এ জি পি জি আই এম এস)তা এদমিট তৌখি। টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা মহাক্কী ফিভম ফৎচিল্লকখিদবনি হায়রি।

ওফিসল স্পোক্সমেন অমগী মতুং ইন্না মৌরিয়াদা প্লেজমা থেরাপি চথখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ওক্সিজেনগী লেভেল লেপ্তুনা হন্থরকখি।

চৈরকসিদা, ষ্টেট অসিগী বি জে পি এম পি কৌসল কেশ্বোর অমসুং এদ্যুকেস্নিষ্ট জগদিস গান্ধি লায়না অসিদগী ফারুরবা মতুংদা অমুক হন্না লাইওং কনশিল্লকপদগী মেদান্টা হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা ষ্টেট অসিগী হেদ কন্সটেবল অমা তির্থাঙ্কর মহাবির মেদিকেল কোলেজ এন্দ রিসার্চ সেন্টর (টি এম য়ু)গী মঙাশুবা ফ্লোরগী থোঙনাওদগী চোংথদুনা শিজখ্রে হায়রি। নোংমাইজিং নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদু সী সী টি ভি ফুটেজদা শেংনা উবা ফংখি হায়রি।

# ইন্দিয়ানা হায়পরসোনিক টেক্নোলোজিগী ভেহিকল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়ানা হায়পর্সোনিক টেক্নোলোজি শীজিন্নবা ভেহিকলগী টেষ্ট ফ্লাইট মায় পাক্লা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু মখোলদগী শরুক তরুক হেন্না য়াংবা মিসাইলশিং পুথোকপগী মায়কৈদা চঙশিন্নবগী লম্বী ফাৎখ্রে।

মায় পাক্লবা দেমোনষ্ট্রেসন অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসি হায়পরসোনিক রেজিমগী মেম্বর অমা ওইরকপা য়াবগী এলিট ক্লবতা চঙশিনখ্রে হায়রি।

মসি টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাওশিল্লবা হায়পর্সোনিক ভেহিক্লশিং শানবগী মায়কৈদা থাংজিনবা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি। য়ু এস, রসিয়া অমসুং চাইনাগী মথংদা ইন্দিয়ানা টেক্নোলোজি অসি শীজিন্নবা ঙম্বা মরিশুবা লৈবাক ওইরে।



উরিষাগী সমুদ্র খোংবান মনাক্কী ৱিলর ইথৎতা লৈবা এ পি জে অব্দুল কলাম লোঞ্চ কমপ্লেক্সতগী নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক ১১.০৩ তাবা মতমদা হায়পর্সোনিক টেক্নোলোজি দেমোনষ্ট্রেসন ভেহিকল (ঐচ এস টি দি ভি)গী ফ্লাইট টেষ্ট পাঙথোক্তুনা দিফেন্স রিসার্চ এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)না হায়পর্সোনিক এয়র-ব্রেদিং স্ক্রামজেট টেক্নোলোজি মায় পাক্লা দিমোনষ্ট্রেসন তৌখি। মায় পাক্লবা খোঙথাং অসি পুরকপা ঙমখিবগীদমক দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা দি আর দি ওবু থাগৎখ্রে। হায়পর্সোনিক ক্রুজ ভেহিকল অসি হান্নদগী মহৈ য়ান্না শীজিন্নরক্লবা সোলিদ রোকেট মোটোরগী মতেংনা লোঞ্চ তৌখি। মোটোর অসিনা ভেহিকল অসিবু কিলোমিটর ৩০ ৱাংনা নোংথক্তা পুখৎলবা মতুংদা হায়পর্সোনিক মাককী মশিং য়ৌরকখিবগা লোয়ননা এরোদাইনামিক হিট সীল্ডশিং তোঙান তোঙান্না খায়দোক্লখি হায়না দি আর এনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ক্রুজ ভেহিকল অসি লোঞ্চ ভেহিক্লদগী তোঙান্না শেৎতোকখিবগা লোয়ননা হান্না থৌরাং তৌখিবগুম নুংশিৎ চিংশিনবগী সিষ্টেম মথৌ তৌবা হৌখি। হায়পর্সোনিক কম্বষ্টসন লেপ্তুবগা লোয়ননা ক্রুজ ভেহিকল অসি সাউন্দদগী শরুক ৬ হেনবা ভেলোসিটিগা লোয়ননা লেপ্তুনা পাইখি।

## তাহির হুসেনগী কষ্টদিগী মতম শাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
নোর্থ ইষ্ট দিল্লিদা থোকখিবা রাইওটকা মরী লৈননা হান্নগী এ এ পিগী কাউন্সিলর তাহির হুসেনবু মনিলোন্দরিং কেস অমদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি)গী কষ্টদিদা থম্বগী মতম নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিল্লিগী কোর্ট অমনা সেপ্তেম্বর ১০ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

হান্নগী এ এ পিগী লিদর অসিবু থাংজ নুমিত্তা ঈ দিনা কোর্টতা নুমিৎ ৯ নি মখা তানা শাংথনা মখোয়গী কষ্টদিদা লৈহন্নবা হায়জখিবনি। এজেন্সি অসিনা মমাংদা কোর্টতা সবমিসন তৌখিবদা মহাক্কী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আর ৩ দা মনিলোন্দরিংগী সেদ্যুল ওফেন্স ৩ চেন্নে হায়না পনখ্রবনি।

ঈ দিগী মহুৎ শীল্লিবা উকিলশিং অমিট মহাজন অমসুং নাভিন কুমার মত্তানা লোনা য়াদবা মওংদা কম্পানি কয়াগী একাউন্ট কয়াদগী শেনফম কয়া ট্রান্সফর তৌরম্লে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। ক্রাইম তৌদুনা ফংখিবা অসিগুম্বা শেনফম অসি মীওই অসিনা তোঙান তোঙানবা অতৈ সেদ্যুল ওফেন্সশিং চথবদা শীজিন্নখি। অদুনা দোক্যুমেন্ট কয়াগা লোয়ননা মখা তানা ৱাহং পাউহং তৌনবা মতম খরা লৌবা পাম্মী হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

### মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীবীয়ু

কোভিদ লাইচৎ লৈবদগী শেল-থুমগী ফীভমদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্লুরে। অতোপ্পা মীদগীসু শেল পুবা ফংদে। অদুনা মাইক্রো ফাইনান্সতা অথিংবা পীবীগনু অমসুং অৱাবগী য়েংদুনা মাইক্রো ফাইনান্সশিংদগী লোন পীবীয়ু।

হায়জরিবশিং : **লমজাও ময়াই লৈকাই**
**ইমা-ইবেলশিং**

HL-P/7503/8

# লেন্দমাইন পোকখায়বদা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়ন আর্মিগী টিবেটান ওফিসর লৈরোল চনখ্রে





লেহ, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :
হৌখিবা ওগষ্ট ৩০ দা ইষ্টর্ন লদাখকী পাংগোং সো পাৎকী খা থংবা মপান্দা ওপরেসন অমা চথরিঙৈ মনুংদা লেন্দমাইন অমা পোকখায়রপদগী লৈখিদ্রবা ইন্দিয়ন আর্মিগী সুবেদার ন্যিমা তেনজিন লান্মীগী মপুং ফাবা ইকাই খুম্নবা উত্তুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লেহদা লৈরোল চনখ্রে।

টিবেটান কম্যুনিটিগী মীওই চা কয়ানা লৈখিদ্রবা লান্মীগী ওফিসর অসিদা ফেয়রৱেল পীখি। মহাক টিবেটানশিংগীদা নত্তনা ইন্দিয়া অপুনবগী হিরো অমনি হায়না লৈরোল চনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্যুনিটি অসিগী মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লখি। পোষ্টর অমদা মহাক টিবেটপু নুংশিদুনা হিংখি অমসুং ইন্দিয়াবু নুংশিবদগী মথৱায় থাখি হায়না ইখি। শরুক য়ারিবশিংনা টেবিটান নেস্নেলিজমগী ওইবা ঈশৈশিং শকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নেসনল এন্থেমসু শকখি। লৈখিদ্রবা ন্যিমা তেনজিনগী হকচাং অদু লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল অমসুং টিবেটকী ফিরাল অনীমক্না য়োম্লগা মফম অদুদা পুরকখি।

N0.5/16/2020-MSRRDA/E-Tender/PMGSY-II
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 4th September, 2020.

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of Governor of Manipur invites Percentage Rate bids through e-Procurement from eligible contractors for e-tender of 56 (fifty six) works (55 roads &1 bridge) under Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) - II in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 14-09-2020 to 05-10-2020 at https://pmgsytenders.gov.in.


The NIT, SBD copies are also now available on the official website of MSRRDA i.e., www.msrrda.org.

Bid submission start date : 16-09-2020.
Bid submission end date : 05-10-2020.
Pre-bid Meeting date: 16-09-2020 (Time : 11:30 A.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Technical Bid : 06-10-2020 (Time : 11:00 A.M., Venue : -do-).

Sd/- **Th. Nandakishore Singh**
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/6360/6&8

### নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6333/27/08-26/09